থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# লান অমসুং শান্তি - অনীগী মরী



চরাংনবা কোকসিদা ঈংবা-চীকপা-শান্তিগী ৱাখল হায়বদু চঙলকখিদবা কুইরে। শান্তি লৈবা লমদম হায়বদু ওইরকখিদবা কুইরে মণিপুর। ঐখোয়না ৱাখল তারকঙৈ, পোলিটিক্স হায়বদু করিনো খঙদ্রিঙৈ, কুম্মৈ-ফিহোং, হরাও-কুম্মৈ মরাং কায়রিঙৈদদি খল্লম্মী- লমদম অসিমুক নুংঙাইবা অতৈ লম লৈরম্লোই। অহল-লমনশিংনসু হায়রকই- লাইগী লৈবাকনি কংলৈপাক।

পাখং ফার, কনানা কনানো, পোলিটিক্স হায়বসি করিনো খঙলকঙৈ খঙলকখি- নীংতম্বা করিনো খঙদবা নীংতম্বা লৈবাক্নি মণিপুর। নীংতম্বা লৈবাক্তা 'নীংতমগে' লান হৌরিবা, নীংতম্বগী ঈখৌ লাংলিবা 'নীংতম্বা নাগরিক' অমনি ঐখোয়।... পূক্নিংদা অকি তুজুং পোক্তবা মফম অমা... মফমদুবু কৌই শান্তি লৈবা লমদম, লমদমদুদা লৈবা মীশিংদুবু কৌই 'শান্তি ফংবা মী'।

হৌখিবা থাবুম অমা চুপ্পা, নোংমা কাংদা তমজরক্লিবা 'থম্মোয় পাউদম'- অমুক্তসু পূক্নিং লৈতানা, খোয়শাউনবা পোক্তনা ইগে নীংবা, ঙমখিদে। পূক্নিং লৈতাদবা, শিনীং-শিমাং হিংলক্লিবদি থাবুম অমা অনীতা নত্তে, কুমজা কুমওন কয়ানি। পূক্নিং-ৱাখলগী মুনবীখ্রবা নীংতম্বদু অমুক নৌনা লৌগনি খন, ময়ুম ইংখোল থাদোক্তুনা উমংদা পুন্সি লেনগনি চৎখ্রবা থৱায়শিংদুগী খোঙচৎ'তুবু কৌগদ্রা- শান্তি থিবা খোঙচৎ? লান হায়বসি শান্তি ফংনবগী থাদোকপা য়াদ্রবা খুৎলায়নি হায়বসিবু পূক্নিংসিনা য়াসিরা? শান্তি হায়বসিগী চপ চাবা ৱাহন করম্না পীগদগে? দিক্সনারিগী ৱাহন অদুনদি পূক্নিংসিবু পেলহনবা ঙমদে। শেল-থুমগী নীংতম্বা ফংদবা হায়বসিসু শান্তি থুগায়নবগী অচৌবা মরম অমনি হায়বসি মালেম পুম্বনা য়ানবা ৱাফম অমনি। বাংলাদেশ গ্রামিন বেঙ্ককী বেঙ্কিং মোদেল অসি হৌদোক্তুনা, শুগনবা লায়রবা, চাগনবা য়াঙ্গংবা হায়না মীতৈশিংনা হায়নবা লায়রবা- খুঞ্জাশিংগী ইকোনোমিদা অচৌবা অহোংবা অমা পুরকখিবগীদমক, বেঙ্ক অসিগী ফাউন্দর 'মোহম্মদ য়ুনুস খান'বু নোবেল পিছ প্রাইজ পীদুনা ঈকায় খুম্নখ্রিবদুনি।

ঐখোয়গী চরাংনবা পূক্নিংনা শান্তি ফংদ্রিবসি করিগীনো হাইফেৎ খঞ্জিল্লুবদা কারকপা ৱাখল ঈথকনি... শেল-থুমগী নীংতম্বা অমদি পোলিটিকেল ওইবা নীংতম্বা... অনীমক্কী খৌরাংবা ঈখৌ অদুনা মুনখিবনি ঐখোয়গী শান্তি। হন্দক মপোকসিমদি অসুম্না চরাংনবা পুন্সিসিগা শাগোন্নমা পিখম্নখ্রগদবা থৱায় মচাশিংসিগীদমক খল্লুবদা নীংশিংলকই... চহী ৫২ চুপ্পা শোক্নরক্লিবা... মীওই ২২০,০০০ গী পুন্সি পিখম্নহনখ্রবা... লাখ কয়াগী ইমুং-মনুং শেৎন-খায়নহনখ্রবা কলম্বিয়াগী ইমু-নাইমু তানবা লালহৌ... লালহৌ অদু লোইশিন-হনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা কলম্বিয়ন প্রসিদেন্ট 'জুআন মান্যুএল সন্তোস'।

ওক্টোবর ৭, ২০১৬ নোর্ৱেজিআন নোবেল কম্মিটিনা লাউথোরকখি... 'চহী ৫০ হেল্লবা... কলম্বিয়াদা সিবিল ৱার অমগী শক্লোন লৌরক্লবা লালহৌ অসি লোইশিন্নবা, মহাক্কী অচেৎপা ফীরেপ অদুগীদমক ২০১৬ কী শান্তিগী নোবেল প্রাইজ জুআন মান্যুএল সন্তোসকী মফমদা লাম্থোক্লে...।

মশাগী চহী ৫৬ শুরবা (ওগষ্ট ১০, ১৯৫১ দা পোকখিবা) 'জুআন মান্যুএল সন্তোস কালনরোন- ২০১০, ওগষ্ট ৭ তগী কলম্বিয়াগী ৩২ শুবা প্রসিদেন্ট ওইরক্লি। মশামক্না ইকোনোমিষ্ট অমা ওইরগসু, শিনফমদি জর্নেলিষ্ট অমা ওইনা হৌরকখি। ইনাক কৈরাক খুনবা, মরল লৈবা সন্তোস ফেমিলিদগী হৌরকপনি। প্রসিদেন্ট ওইরক্ত্রিঙৈ মমাঙদা ১৯৯১ দগী ১৯৯৪ ফাওবা মিনিষ্টর ওফ ফোরেন ট্রেদ ওইরম্মী, ২০০০ দগী ২০০২ ফাওবা মিনিষ্টর ওফ ফাইনান্স এন্দ পব্লিক ক্রেদিৎ, ২০০৬ তগী ২০০৯ ফাওবা মিনিষ্টর ওফ নেসনল দিফেন্স ওইরম্মী। এফ এ আর সী (ফুএর্জস অর্মাদস রিভোল্যুসনিঅস দ কলম্বিয়া, ইংরাজি লোন্দা হায়রগা রিভোল্যুস্নরি আমর্দ ফোর্সেস ওফ কলম্বিয়া) গী গুরিলা লিদর 'রোদরিগো লন্দনো'গা 'জুআন মান্যুএল'গা শান্তিগী ৱারী শানদুনা 'পিছ একোর্দ/এগ্রিমেন্ট' অমা ২০১৬ কী অঙনবা শরুক্তা খুৎয়েক পীনখিবদুদা কলম্বিয়াগী প্রজাশিংনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। রিফরেন্দম (ভোট মখল অমা) ফাওবা পাঙথোকখি। রিফরেন্দম অদুদা অপীকপা মার্জিন অমদা মহাক মায়থীখি। অদুবু মহাক্কী ৱাখল অমদি ফিরেপ হোংবা নাইখিদে। মীহাৎ মীপুন অমদি গুরিলা লাল্লোং শীজিন্নদুনা ষ্টেট ফোর্স/সিক্যুরিটিগী লান্থেংনবনা অওনবা লৈঙাক (লিভোল্যুসন) অমগী পোলিটিকেল সোল্যুসন পুরক্কদবা নত্তে, সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনসু গুরিলাশিংগা লান্থেংনদুনা লৈবনা ঈহৌ অমা নমথবা ঙমগদবা নত্তে হায়বা ৱাখল্লোনসিদা মহাক চেৎনা থাজখি।

মশানা থাজজবা লম্বীদুদা চৎচবা ঙম্নবা, ২০০৫ দা লিবরেল পার্টিদগী তোল্লগা মশানা কো-ফাউন্দর ওইনা সোসল পার্টি ওফ নেসনল য়ুনিটি লিংখৎখি। এফ এ আর সীগুম্বা গুরিলা লূপ অমগা শান্তিগী ৱারী শানবা অরায়বা থবক নত্তে হায়বা জুআন মান্যুএলনা থাজখি। কুমজা ২০১২ গী ওগষ্ট থাদা লাউথোরকখি- এফ এ আর সীগী গুরিলাশিংগী মথক্তা মিলিটরি এক্সনসু ৱারী শানদুনা রাজনিতিগী ওইবা ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনরি।

চহী মরিগী মতুংদা হোৎনজমল মহৈ য়াল্লকখি। ওগষ্ট ২৫, ২০১৬- এস এ আর সী অমদি কলম্বিয়া গভর্ণমেন্ট অনীগী মরক্তা খুৎলায় থাদোক্তুনা শান্তিগী লম্বীদা লাক্লবা য়ান-ৱারোল অমদা খুৎয়েক পীনখি। মহাক্কী হোৎনজমল শকখঙদুনা শান্তিগী নোবেল প্রাইজবুদি পীখরে, অদুবু লাক্কদৌরিবা মতমসিনা উৎলক্কনি- য়ান-ৱারোল অসি মায় পাকপা এগ্রিমেন্ট অমা ওইগদৌরিবরা? নৎত্রগা মালেমদা চাং তাদৌরিবরা?

পাউদম অসি তম্না তম্না, থম্মোয়সিদা ফাওরক্লিবা ইথিলসিমদি লোৎশিঞ্জবা ঙমদরে- অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী লালহৌগী ঈরাং (মরুওইনা নাগাগী) লোইশিনবগী ক্রেদিৎতি কনানা লৌদৌরি। করি এৱার্দ পীদৌরি?




